


অশাংবা কম্যুনিসেননা শিন্দুনা ইম্ফাল কোলেজকী সেন্ত্রেল হোলদা মোইরাংথেম প্রিয়োব্রতনা ইবা নোভেল *ঙাঙ্গোনবা নুমিদাং* দিগ্নিটরিশিংনা ফোঙখিবগী থৌরম

# নেসনল ইন্সটিট্যুস্নেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক ২০২২ গী ওইনা মিজোরামগী পি জি কোলেজনা ৪৫ শুবা মফম কনবা ঙমখ্রে

আইজোল, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): নেসনল ইন্সটিট্যুস্নেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক (এন আই আর এফ) ২০২২ গী ওইনা লৈবাক অসিগী অফবা কোলেজ ১০০ খনগৎপগী মনুংদা মিজোরামগী খ্বাইদগী লিরবা অমসুং ষ্টেট অসিগী অহানবা পোষ্ট গ্রেজুয়েট কোলেজ পচুঙা য়ুনিভর্সিটি কোলেজনা ৪৫ শুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।




এন আই আর এফ-২০২২ গী রিজল্ট অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এদ্যুকেসন ধরমেন্দ্র প্রধাননা ঙরাং রিলিজ তৌখিবনি। ঙরাং রিলিজ তৌখিবা লৈবাক অসিগী অফবা কোলেজশিংগী মনুংদা পচুঙা য়ুনিভর্সিটি কোলেজনা ৪৫ শুবা মফম কনবা ঙমখ্রবসু লৈবাক অসিগী অৰাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা অতোপ্পা কোলেজ অমত্তনা রেঙ্কিং লিষ্টতা য়াওবা ঙমখিদে।

ঙরাং রিলিজ তৌখিবা লৈবাক অসিগী অফবা কোলেজশিংগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা য়ুনিভর্সিটি ওফ দিল্লিদা এফ্লিয়েট তৌবা মিরন্দা হাউসনা অহানবা, য়ুনিভর্সিটি ওফ দিল্লিদা এফ্লিয়েট তৌবা হিন্দু কোলেজনা অনীশুবদা অদুগা তমিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা প্রসিদেন্সি কোলেজনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি।

অমরোমদা এন আই আর এফ রেঙ্কিং লিষ্টতা পচুঙা য়ুনিভর্সিটি কোলেজনা ৪৫ শুবা মফম কনবা ঙমখিবা অদুবু কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা হরাওবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোলেজ অসিনা ঙসিগী থাক অসি য়ৌবা ঙম্লকখিবগী মরুওইবা মরমদি কোলেজ অসিদা তাকপী তম্বীবগী থবক তৌরিবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনবননি। লৈবাক অসিগী অৰাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা পচুঙা য়ুনিভর্সিটি কোলেজনা এন আই আর এফকী রেঙ্কিং লিষ্টতা য়াওবা ঙম্লে হায়দুনা ঐখোয় মায় পাক্লে লৌবা য়াদ্রি। হৌজিক রেঙ্কিং লিষ্টতা লৈরিবা মফম অসিদগী অমুক্কা হেন্না ৱাংবা মফম অমা অমুক কনবা ঙম্নবা হোৎনবগী তঙায়ফদবা মথৌ লৈ। কোলেজ অসিদা লৈরিবা ওজাশিংনসু হান্নদগী হেন্না কন্না হোৎনদুনা কোলেজ অসিগী মীংচৎ মখা তানা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙায়ফদবা লৈরি হায়না প্রিন্সিপালনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মথং চহীগী ইলেক্সনগীদমক থবক পায়খৎপা হৌনখ্রে

অগরটালা, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) : লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রিপুরা ষ্টেট এসেম্ব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পি অমদি ওপোজিসন্দা লৈরিবা টিপ্রানা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

রুলিংদা লৈরিবা বি জে পিনা হন্দক ষ্টেট অসিগী ওইনা এ সী মরিদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনদা এ সী অহুমদা মায় পাক্লগা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা এ সী ওইরিবা অগরটালাদা মায়থিবা নংখি। হায়রিবা এ সী অসিদা বি জে পি নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট দিলিপ গোসনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ট্রিপুরা বি জে পিনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরকখিবনি। অমরোমদা রিজনেল পার্টি টিপ্রাগী ওইনসু লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেম্ব্লি ইলেক্সননা মখোয়না এবসোলুট মেজোরিটি ফংনবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# ‘চহী কয়া চয়েৎনদুনা লাক্লবা অসাম অমসুং অরুনাচল ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিল্লগনি’

ইটানগর, জুলাই ১৬ (এজেন্সি) : অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ষ্টেট অনীগী মরক্তা চহী ৭০ রোম ঙমখৈগা মরী লৈননা চয়েৎনদুনা লাকখিবা কয়া অদু হন্দক চহী অসিগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা হায়না নাকল অনীমক্কা য়ানখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরশিং উনদুনা খুৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।




ষ্টেট অনীগী মরক্তা পুন্না খুঙ্গং ১২৩ গী মতাংদা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাকখিবা অদু ঙরাং নমসাইদা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরশিং হিমন্তা বিস্ব সর্ম অমদি পেমা খান্দু অনীনা উনরবা মতুং খুঙ্গং ৮৬ তা হস্তহনখ্রে। ষ্টেট অনীগী ওইনা হৌজিক হৌজিক লৈজরিবা বাউন্দরিগী মশক অসিদা য়েৎনবদা নুংঙাইরোইদবা খুঙ্গংশিংগী ওইনদি মখা তানা য়েৎনদনবা অমদি ষ্টেট ষ্টেটশিংগী ঙমখৈ শরুক ওইনা লৈহনবদা য়ানখি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা চয়েৎনরিবা খুঙ্গং ৮৬ অসিগী মতাংদসু ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরগনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দু উনরবা মতুংদা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা ফোঙদোকখিবদা, হান্না চয়েৎনদুনা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগী মনুংদা ২৮ দি ষ্টেট অসিগী ওইনা চয়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা লৈরগনি। অদুগা হান্না ষ্টেট অসিনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌদুনা লাকখিবা খুঙ্গং অহুমদি অসামগী ওইখ্রগনি। মসি হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ঙমখৈগী শরুক অদুগী মতুংইন্ননি। লেমহৌরিবা খুঙ্গংশিং অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক নাকল অনীমক্কী ওইনা অখন্নবা কম্মিটিশিং শেমদুনা জোইন্ট সর্ভে অমা পুন্না চত্থরগনি। সর্ভে অসিগী রিপোর্টশিং অদু চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা য়েংশিল্লবা মতুং করম করম্বা খুঙ্গংশিংনা করম্বা ষ্টেটকী ওইগদে হায়বগী ফিরেপ অদু লৌগনি। হায়রিবা থবক অসি চহী অসিগী মনুংদা শোয়দনা লোয়শিনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অনীমক্না ফোঙদোরক্লি।

# ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি মোইত্রাগী মথক্তা এফ আই আর অমা ফাইল তৌরকখ্রে



গুৱাহাটি, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): অসামদা লৈরিবা গোগোই য়ুম্নাকশিংবু ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি মহুৱা মোইত্রানা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা ঙাংখিবা অদুগী মায়োক্তা অসামগী লোকল ওর্গনাইজেসন অমনা এফ আই আর অমা ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা এম পি মশানা অসামগী মীয়ামদা লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি হায়রি।

কমপ্লেন অসি সিবসাগরগী জাতিয়া সঙ্গ্রামী সেনা, অসোম য়ুনিটনা এম পি মোইত্রাগী মথক্তা তৌরকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা সিবসাগর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট প্রনাব চেতিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, এম পি মোইত্রাগী ৱাফম অদুনা অসাম মনুংদা লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা নুংঙাইনহন্দবা থোকহল্লকপা য়ানা লৈরে। গোগোই য়ুম্নাক্কী মীওইশিংবু এম পি অসিনা য়াম্না হন্থবা মওংদা ঙাংখিবা অমদি গোগোইবু সেক্সকা ৱাহন্থোক মান্নহনখিবা অসি লাইবক থিবনি। এম পি অসিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা মিষ্টর গোগোই হায়না পল্লগা য়াম্না হন্থবা মওংদা ইরিবসিগী মহুত্তা মহাক্না নুংঙাইত্রিবা মীওই অদুগী মমিং পল্লগা ইরন্নবদি চয়েৎনবা অসি লৈরম্লোই। অদুবু গোগোই য়ুম্নাক্না য়াম্বা অহোমশিং এম পি অসিগী ৱাহৈ ৱাতাশিংনা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকহল্লে হায়রি। অমরোমদা চয়েৎনবা অসি লাকখ্রবা মতুং এম পি মোইত্রানা মহাক্কী ত্বিটরদা অমুক হন্না ইরকখিবদা, ঐনা গোগোই খুদিংমকপু হন্থনা লৌখিবা লৈতে অদুবু মীয়াম্না চিংনবা ফাওরিবা অদু কোকহন্নবগীদমক মীওই অদুগী মমিং পল্লগে। মীওই অদুদি এম পি রঞ্জন গোগোইনি হায়রি।

# কিদনি নম্ফুদা য়োলহনখিবগী মরালদা বাইদুল্লা খানগী মচন্নুপী পুলিসনা ফারে

দিব্রুগর, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): অসামগী চহী নৌরিবা এনিমেল এক্টিভিষ্ট ভিনিত বগারিয়া মীশিদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা বাইদুল্লা খানগী মচন্নুপীসু কিদনি নম্ফুদা য়োলহনখিবগী কেস অমগা মরী লৈননা দিব্রুগর পুলিসনা ফারে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, লন্নাই পৈশা শান্দোকপগী থবক তৌরিবা বাইদুল্লা খানগী অপোকপা অবদুলা খানদগী লুপা লাক্ষ অমগী শেনফম পুখি। অদুবু ভিক্টিম নুপী অসিনা মতম চানা পুরুবা পৈশা অদু শিংবা ঙমদবদগী বাইদুল্লা খানগী মচন্নুপীনা পৈশা অদু অথুবা মতমদা শিংদবা য়ারোই। মরম অদুনা খুদক্কী ওইনা শেনফম অদু শিংনবগীদমক ভিক্টিম নুপী অদুগী কিদনি নাম্মা য়োন্নবা তকশিনবা হৌরকখি। অহানবদা কিদনি য়োনবগী ৱাফম অদু ভিক্টিম নুপীনা য়াখিদে। অদুবু বাইদুল্লাগী মচন্নুপীনা য়াম্না কন্না তকশিল্লকখিবগা অথুবা মতমদা কিদনি নাম্বা য়োন্দুনা মখোয়গী শেনফম অদু শিংদোক্কবদি খুদোংথিবা নংগনি হায়না কিহনখি। অতোপ্পা পাম্বৈ অমা উরক্তবনা মরম ওইরগা কিদনি নাম্মা য়োল্লগা পুরুবা শেনফম অদু শিংদোকখি। অদুবু বাইদুল্লাগী মচন্নুপীনা শিংগদবা অপুনবা শেনফম লুপা লাক্ষ ৩.৫ নি হায়না ক্লেইম তৌদুনা মখা তানা ওৎপা হৌরকখিবনি হায়রি। মসিগী মতাংদা পুলিসতা কমপ্লেইন তৌখি। অদুবু মতম অদুদা এক্সন অমত্তা লৌখৎখিদে হায়না ভিক্টিম নুপী অসিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে হায়রি।

# জপানিস এন্সেফলাইটিসনা শিহনখিবা মী মশিং ২৩ শুখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অসামদা জপানিস এন্সেফলাইটিসনা মীওই ২৩ শিহনখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, কাঙদগী হৌরকফম ওইরিবা জপানিস এন্সেফলাইটিসনা ষ্টেট অসিদা চৈথেং পীবা হৌরক্লিবা অসিদগী ঐখোয় য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা লায়না অসি মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লোই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু হিরম অসিগী মতাংদা মুন্না খঙবা মথৌ তাই। মরুওইনা কালেনগী মতম ওইবনা তুম্বা মতমদা হকচাং নুংঙাইনবা খল্লগা কাঙ চীকপা য়াবা মফমদা তুম্লোইদবনি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা জে ঈগী কেস ১৬৯ দিটেক্ট তৌবা ঙম্লে হায়রি।

## CROSSWORD-3587



**ACROSS**

1 Competent (4)
3 Gossip (8)
9 Tropical cyclone (7)
10 More judicious (5)
11 Fracture (5)
12 Artist (anag) (6)
14 Paradise (6)
16 Maintenance (6)
19 Specimen (6)
21 Smell (5)
24 Long narrow range of hills (5)
25 Exact copy (7)
26 Holiness (8)
27 Move by slow degrees (4)

**DOWN**

1 German motorway (8)
2 Become void (5)
4 Fair-and-square (6)
5 Tall building (5)
6 Antagonistic (7)
7 Sailors (4)
8 Turf accountant (6)
13 Come near (8)
15 Forsake (7)
17 On the dot (6)
18 Lebanese capital (6)
20 Fold sewn or pressed into cloth (5)
22 Edible bulb (5)
23 Part of the eye (4)

**Solution 3586**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | A | R | I | B | B | E | A | N | | E | M | U |
| H | | U | | O | | C | | O | | X | | T |
| I | N | L | A | W | | H | A | T | C | H | E | T |
| C | | E | | L | | O | | E | | I | | E |
| A | I | R | L | I | N | E | | D | E | B | A | R |
| G | | | | N | | S | | | | I | | |
| O | L | I | V | E | R | | A | B | A | T | E | D |
| | | C | | | | S | | A | | | | E |
| H | Y | E | N | A | | E | X | C | I | T | E | D |
| O | | R | | W | | L | | K | | U | | U |
| B | R | I | G | A | N | D | | L | I | L | A | C |
| B | | N | | S | | O | | O | | S | | E |
| Y | A | K | | H | O | M | E | G | U | A | R | D |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3988**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | | | | 5 | 6 | 4 | |
| | | | 8 | | | | | |
| | 5 | 9 | 6 | | | 2 | | |
| 1 | | | 4 | | | | | |
| | | 3 | 1 | 6 | 7 | 5 | | |
| | | | | | 2 | | | 4 |
| | | 7 | | | 6 | 4 | 5 | |
| | | | | | 4 | | | |
| | 9 | 4 | 2 | | | | 8 | 7 |

**Solution-3987**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 1 | 7 | 2 | 5 | 4 | 9 | 8 |
| 7 | 8 | 5 | 9 | 1 | 4 | 3 | 6 | 2 |
| 9 | 4 | 2 | 6 | 8 | 3 | 5 | 7 | 1 |
| 2 | 5 | 4 | 8 | 7 | 6 | 9 | 1 | 3 |
| 8 | 1 | 9 | 4 | 3 | 2 | 7 | 5 | 6 |
| 6 | 3 | 7 | 5 | 9 | 1 | 8 | 2 | 4 |
| 5 | 7 | 3 | 1 | 6 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 5 | 9 | 1 | 8 | 7 |
| 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 7 | 6 | 3 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NRCM DIMAPUR RECRUITMENT 2022 FOR YOUNG PROFESSIONAL

National Research Centre on Mithun (NRCM) Young Professional Recruitment 2022
Advertisement for the post of Young Professional in National Research Centre on Mithun (NRCM). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30th July 2022. Candidates can check the latest National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment 2022 Young Professional Vacancy 2022 details and apply online at the nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment 2022 page.
National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nrcmithun.icar.gov.in/. National Research Centre on Mithun (NRCM) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nrcmithun.icar.gov.in/recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Young Professional
Job Location:
Medziphema, Dimapur, 797106 Nagaland
Last Date: 30th July 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification:
Young Professional-I: B.Com with Minimum 60% Markswith Minimum one year working experience in the purchase & stores section.
Young Professional-II: M.Sc Biochemistry / Plant Biochemistry / Agricultural Biochemistry or MVSc (Biochemistry).
Pay Scale:
INR
25000-35000/- Per Month
Age Limit: 21-45 Years.
How to Apply:
Walk-In-Interview 30.07.2022 Venue: National Research Centre on Mithun, Medziphema, Dimapur, Nagaland 797106 India. Candidates should bring original certificates and a copy of bio-data along with photocopies of certificates etc. No objection certificate from the current employer/wherever applicable for the interview.
Important Dates:
Published on: 15th July 2022
Last date for application is: 30th July 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### HIGH COURT OF TRIPURA RECRUITMENT 2022 FOR GRADE III

High Court of Tripura Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ thc.nic.in. High Court of Tripura selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at West Tripura. More details of thc.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Tripura High Court
invites applications for recruitment of Grade III
Grade III
Job Location:
The Registrar General Capital Complex
, Agartala, 799006 West Tripura
Last Date: 16 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 11 Posts
Tripura High Court Recruitment 2022 Grade III Job Vacancies Apply Online Application
Tripura High Court Recruitment 2022 Grade III Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022 Details
Company High Court of Tripura
Job Role Grade III
Education Requirement
Total Vacancy 11 Posts
Job Locations Agartala
Experience Fresher
Salary 27700 - 44770
Posted on 14 Jul, 2022
Last Date To Apply 16-08-2022
Educational Qualification: LLB
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
27700 - 44770
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Grade III in Tripura High Court.
How to Apply:
Candidates must apply for Tripura High Court Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the Tripura High Court Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Tripura High Court tsu.trp.nic.in
Step 2: Search the notification for Tripura High Court Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 14 July 2022
Last date for application is: 16 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম







